# COVID-19 কনানা শন্দোকহনবনো চাইনাদা

- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -



বাইওলোজিকেল



বাইওলোজিকেল ৱেপন



কোরোনাভাইরস

COVID-19 হায়না খঙনরিবা কোরোনাভাইরস অসি কনানা চাইনাদা থাজিনখিবনো হায়বগী য়াম্না চাউবা ৱাহং অমা চাউনা লাক্লি। লায়না অসিনা থা অসিগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা মীওই ৮০,০৮৭ নাহল্লে, মীওই ২,৬৯৯ অমনা লৈখিদ্রে। টাইৱান্দসু মীওই ৩০ লায়কন্নরি অদুগা চহী ৬১ শুরবা টেক্সি থৌবা নুপা অমদি লৈখিদ্রে। লাইচৎ অসি শা-ঙাদগী শন্দোরকপা ওইরমগনি হায়বদুমদি থাজবা য়ারি। অদুবু মতাংসিদা হংনরিবা ৱাহংদি শা ঙাশিং অদুদগী মতোমতা থোরকপ্রা নৎত্রগা হায়রিবা মহিক অসি চাইনাগী শা ঙাদা কনাগুম্বা লৈপাক অমনা কাপশিনখিব্রা, শন্দোখিব্রা হায়বসিগী ৱাফমনি। কোরোনাভাইরস লাইচৎ অসিনা মীওই খরা শিহনবা হৌরক্তুনা মপান লৈবাক কয়ানা খঙনবা হৌরকপা মতমদুদগী অদুম চিংনবা হৌরকখিবনি কনাগুম্বা লৈবাক অমনা থাজিনখিব্রা হায়দুনা। অদুবু হান্নদগী হেন্না কন্না মীয়াম্না লাইচৎ অসি কনাগুম্বা লৈবাক অমনা শন্দোকহনখিবা ওইরমগনি হায়না থাজনরকপদি চৎলিবা ফেব্রুৱারি থা অসিগী ১৬তা য়ুট্যুবতা প্রোজেক্ট অভালোগী মপু ওইরিবা বিল রয়াননা থাগৎলকপা 'China Catches a Cold' হায়বা ভিদিও অদুদগীনি। হায়রিবা 'China Catches a Cold' হায়রিবসি কোরোনাভাইরস অসিবুনি। বিল রয়ান হায়রিবা মীওই অসি য়াম্না মমিং লৈবা অমেরিকান জর্নেলিষ্ট অমনি। মহাক্কী ইন্টরভিয়ুশিং অসি অয়াম্বনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা য়াম্না অরোনবা থবক কয়াবু মীয়ামদা উৎথোকপা অমদি খঙহনবা অদুনি। হন্দক হাপকৎলকখিবা ভিদিও অসিসু য়াম্না চাউবা অরোনবা মীফম অমদগী ফংলকখিবনি।

বিল রয়ানগী ভিদিও অদুগী মতুংইন্না হন্দক চাইনাদা কোরোনাভাইরস হায়রিবা লাইচৎ অসি চহী ১৫ গী মমাংদা, হায়বদি কুমজা ২০০৫ গী জুন থাদা য়ু কেগী সিটি লন্দন হায়রিবা মফম অসিদা পাঙথোকখিবা অরোনবা মীটিং অমদা য়াওরুবা অচৌবা মিলিটরি ওফিসর অমগা ৱাহং পাউখুম তৌনবদা খঙলকখিবনি। ওফিসর অদুগী মতুংইন্না হায়রিবা মীটিং অসিদা অচৌ-অচৌবা মিলিটরি ওফিসরশিং, লৈঙাকপশিংনচিংবা য়াওখি হায়রি। মীটিং অদুদা য়াম্না চাওখৎলক্লবা চাইনাদা বাইওলোজিকেল ৱেপন শীজিন্নদুনা চাইনিজ কয়াবু হাৎপা ঙম্বা লাইচৎ অমা থাদবগী ৱাফম পনখি হায়। তশেংবগীদি অসিগুম্বা মহিক্কী লাইচৎসি চহী ১৩/১৪গী মমাংদা চাইনাদা শন্দোক্লবগী থৌওং লৈখিবনি অদুবু মতাং চাদবদগী তৌখিদবনি হায়রি। তাঞ্জা চাবা অসুম য়েংদুনা লাকপনা হৌজিক ওইরিবা য়ু এস এ অমদি চাইনা অনীগী মরক্তা লৈনরিবা ফীভম অসিদা য়াম্না মতাং চারে হায়দুনা লাইচৎ অসি শন্দোহনবা শোয়দনা ওইরমগনি হায়বগী অচৌবা চিংনবা লৈ হায়না বিল রয়াননা ফোঙদোক্লি। লাইচৎ অসিবু চাইনাদা শন্দোক্তুনা চাইনিজ কয়াবু হাৎপগী ৱাফম অসি মীশিং য়ামদবা নোংচুপ্লোমগী লৈবাকশিংনা মীশিং য়াম্লবা চাইনানা অঙৌবা (হ্বাইট পিপল) কাঙলুপকী মথক্তা লৈরকপা ঙমদনবা চাইনাবু নমথনবগী পান্দমদুনি। খ্বাইদগী হৈথোই শৈথোইরে, চাওখৎলে হায়না লৈজরিবা অঙৌবা কাঙলুপশিং অসি এসিয়া লমদমদা লৈবা সোসএলিষ্ট চৎপা হঙ্গামপাল কুচু ওইবা চাইনিজ হায়রিবা কাঙলুপ অসিনা মখোয়গী মথক্তা লৈখিবা তারে হায়না মীপাইনরি। হায়রিবা অঙৌবা কাঙলুপ অসিগী মনুংদা হৌজিক হৌজিক য়ু এস এগী প্রসিদেন্ট অসিসু অমনি। মহাক অসি অতোপ্পা কুচু অমদি কাঙলুপ-ফুরুপ্পু হন্থনা য়েংবদা মমিং লৈরিবা মীওই অমনি হায়নরিবসি ময়ামসু তাবি উবিরল্লগনি।

হৌজিক ওইরিবা চাইনাদা লাইচৎ অসিগী ফীভম অসিদা খঙজ্ঞিগদবা ৱাফমদি করম্বা লৈবাক্তা চাইনাগা খুৎশু-খুৎলায়দা, লল্লোন ইতিক্তা অমদি চাওখৎপগী খোঙথাংদা খ্বাইদগী চাউনা লমজেল তান্নরি হায়বসিনি। লৈবাক অদুদি য়ু এস এ খক্তনি। হান্নদগী অতোপ্পা কাঙলুপ্পু, মরু ওইনা চাইনাবু য়ানিংদনা লাকপগা, হৌজিক হৌজিক ওইরিবা চাইনা অমদি য়ু এস এগী লল্লোন ইতিক, খুৎশু-খুৎলায় অমদি চাওখৎ খোঙথাংদা চাইনানা কন্না খুমাঙ চাওশিল্লকপা অসিদা য়ু এস এনা করম্না খাঙবা ঙমগদৌরিবনো। মসি য়ু এস এদা নত্তে অতোপ্পা নোংচুপ্লোমগী লৈবাক খরসু য়াওরিবনি। নোংচুপ্লোমগী অঙৌবা কাঙলুপকী লৈবাকশিংদি থম্বু থমখিসি। এসিয়াগী মনুংদা লৈরিবা জপাননা অসুক্কী মতিক চাইনাগী লল্লোন ইতিক্তা অমদি শেল-থুমগী ফীভমদা য়ারিবমখৈ য়েৎনবা হোৎনরিবনি নোংচুপ্লোমগী লৈবাকশিংগা চৎমিন্নদুনা। তৌবগীদি জপানগা চাইনাগসি হান্নদগী মরী ফরক্তে মরু ওইনা পুৱারীদা য়েংলুরগা। অনীশুবা ৱর্ল্ড ৱারদা জপানগী লান্মীশিংনা চাইনিজ লাখ ৬০ - ১০০ ফাওবগী মনুংদা হাৎখি হায়না থাজনরি। অসিগুম্বা নুংঙাইনদবা পুৱারী অমা লৈবনা জপান্না চাইনাবু য়াম্না অকি হঙ্গোইনা লৈরিবনি হৌজিক হৌজিক, মরু ওইনা চাইনানা খুৎশু-খুৎলায়গী লম্‌দা য়াম্না কনখৎলকপা, মতিক ময়াই লৈখৎলকপা অমদি শেল-থুমগী লম্বীদসু য়াম্না খুমাঙ চাওখৎলকপা অসিদা।

অসুম্না চাইনানা য়াম্না থুনা খুমাঙ চাওখৎলকপা অমদি মালেমগী খ্বাইদগী মতিক ময়াই লৈবা (সুপরপৱার) লৈবাক অমা ওইরক্তুনা অঙৌবা হায়রিবা কাঙলূপ অসি চাইনিজশিং অসিগী মখাদা শোয়দনা লৈখিবা তারে হায়না কিরকপদগী, পাখৎপদগী নোংচুপলোমগী লৈবাক অমনা নৎত্রগা লৈবাক খরা পুশিন্দুনা লাইচৎ অসি থাজিল্লকপরা হায়বসিনি। হৌজিক হৌজিক য়াম্না কন্না চিংনরিবা লৈবাক্তি য়ু এস এনি, হৌজিক হৌজিক ওইরিবা য়ু এস এ অমদি চাইনা অনীগী মরক্তা লৈরিবা ফীভম অসিদা য়ু এস এনা চাইনাগী শেল-থুমগী ফীভম থুগায়নবা হায়দুনা কন্না হোৎনরিবনি ফোঙনা। লম্বীসিদা মায় পাক্লক্তবনা অরোনবা অসিগুম্বা লাইচৎ অমা চাইনাদা শন্দোকহনবনি হায়বদা করিগী থাজবা ঙল্লোই। অসুম্না অকনবা লাইচৎ শন্দোক্তুনা চাইনিজ কয়াবু হাত্তোক্লবদি চাইনিজশিংগী মশিং য়াম্না হন্থরনি, থবক শূবিনবা লৈররোই (ম্যেন পৱার) লান্মী মশীং হন্থরনি (লান্মীগী মশীংসিনি অতোপ্পা লৈবাকশিংনা য়াম্না কিন্নরিবা চাইনাবু) লোয়ননা লল্লোন ইতিক্তসু ময়েং য়াম্না তারনি। মসিমক য়ু এস এগী অপাম্বনি হায়বদা লানগদ্রা। বিল রয়ানগী ভিদিওদু তাবিয়ু, ময়েক শেংনা খঙবিবা ঙমগনি। য়ু এস এগী মথংদা চিংনরিবা লৈবাক অমনা য়ু কেনি। হায়রিবা লৈবাক অনীমক অতোপ্পা লমদা লন্দাবদা অমদি লম খোমচিনবদা মমিং লৈরবা লৈবাকশিংনি হায়বসি পুৱারীনা ময়েক শেংনা তাক্লবনি। অতোপ্পা লৈবাক খরা হাপচিনবা তারবদি জর্মনি, ফ্রান্সসু চিংনবা য়াই য়ু এস এ অমদি য়ু কেগা পুন্না লৌতুন্দুনা চৎমিন্নবদা। হৌজিক্কী অনৌবা মতমসিদা য়ু এস এনা বাইওলোজিকেল ৱারফ্যের শীজিন্নদুনা লন্দাবগী নৎত্রগা কাঙলুপ অমগী মায়োক্তা লন্দাবসি কোরিয়া ৱার, মিদল ইষ্ট অমদি ক্যুবাগী ঈথৎ খরদা শীজিন্নখ্রে হায়না তাই।

অসুম্না লৈবাক অমদা বেক্তরিয়া, ভাইরস হায়বদি শিনীংঙাই ওইবা মহিকশিং থাজিনবগী থৌশিল অসিবু বাইওলোজিকেল ৱারফ্যের হায়না খঙনৈ। মহিকপু খুৎলায় ওইনা শীন্নবসি য়াম্না চহী ১০০/২০০গী মমাংদগী শীজিন্নবা হৌখিবগী পুৱারী থেংনৈ অদুবু য়াম্না খুমাঙ চাওশিন্না শীজিন্নবা হৌখিবদি কুমজা ১৯০০ অদুৱাইদগী অহানবা ৱার্ল্ড ৱারদা জর্মনিনা শীজিন্নবা হৌখি হায়না থেংনৈ। অদুগী মতুংদদি লৈবাক খরনা শীজিন্নবা হৌখ্রে। এসিয়াগী মনুংদা অনীশুবা মালেমগী লাঞ্জাওদা জপান্না মহিক্কী লান চথখি। চাইনিজ লাখ ৬০ দগী লাখ ১০০ মুক শিখিবদো খুৎলায়না হাৎখিবা ঙাক্তা নত্তে। মহিক্কী লান্দসু চাইনিজ লাখ কয়া হাৎখিবনি। মহিকশিং অসিবু শীজিন্নদুনা লমদম/মফম অমগী মীওইশিং অদুবু নহানবা, শিহনবা অসিনচিংবা তৌদুনা লন্দাবগী থৌওং অসি য়েক্লবা ওইরিবা লৈবাকশিংদা অকনবা লৈবাক্লা অয়াম্বনা শীজিন্নে। হৌজিক হৌজিক্কী ওইনদি মালেমগী লৈবাক ১৫/১৬ তি হায়রিবা মহিক্কী খুৎলায় (বাইলোজিকেল ৱেপন) অসি পায়রে হায়না থাজনরি। নোংচুপ্লোমগী লৈবাকশিংগী মনুংদা হায়রিবা মহিক্কী খুৎলায় অসি য়ু এস এ, কনাদা, য়ু কে, ফ্রান্স, জর্মনি, রসিয়ানচিংবা লৈবাকশিংদা লৈ হায়। অদুগা এসিয়া অমদি অতোপ্পা মফমশিংদগী হায়রগনা জপান, নোর্থ কোরিয়া, চাইনা, টাইৱান, সাউথ অফ্রিকা, ইজরেল, ইরান, ইরাক, লিবিয়া অসিনচিংবা পনবা য়াই। খুৎলায় অসি লৈরে হায়দুনা লৈবাকশিং অসিনা হেক্তা শীজিন্নরে হায়বদি নত্তে। খুৎলায় অসিবু লৈরে হায়রিবা লৈবাকশিং অসিগী মনুংদা জর্মনি, য়ু এস এ, জপান খক্তা ওইরমগনি খুৎলায় অসিবু শীজিন্নবা, জপানদি অনীশুবা ৱর্ল্ড ৱারগী মতমদা শীজিন্নবা হৌখিবনি।

লোইশিল্লকপদা, হৌজিক হৌজিক খ্বাইদগী চিংনরিবা লৈবাক্তি য়ু এস এনি। হৌজিক ওইরিবা ফীভমসিদা য়েংলুবদা য়ু এস এনা চানাইদা অসুম্না মহিকপু লানগী খুৎলায় ওইনা শীজিন্নবদি জর্মনিগী নাজি হিটলরনা জিৱিজশিংবু তুম্না হাৎনবা হোৎনখিবদুগা মান্নে হায়বা য়াই। হিটলরনা জিৱিজশিংবু হাৎখিবগী মরমসু জিৱিজশিংনা জর্মশিংবু কোন্না লাকশিনখিবদুনা মখোয়গী মখাদা লৈরকপা য়াই হায়দুনা হাৎখিবনি। করিগুম্বা য়ু এস এনা মহিক্কী লান অসি চাইনাগী মায়োক্তা শীজিন্নদুনা চাইনিজশিংবু হাৎনবা অমদি শেল-থুমগী ফীভম থুগায়নবা হোৎনবা ওইরল্লবদি য়ু এস এসু মদুগী মহয়দি শোয়দনা ফংলক্কনি খল্লি। অসিগুম্বা লৈবাক অমনা চাওখৎপা হেনখিগদৌরে হায়দুনা হিংচা য়াইতম্বগী ৱাখল্লোন চেনবা অমদি অতোপ্পা লৈবাক অমবু মাঙনবা শিনবা অসিদি শিল্লিবা লৈবাক অদুগীসু শোয়দনা অচৌবা অমাঙবা লাক্কনি। অদুবু বিল রয়ান্না মহাক্কী ৱাহং পাউখুমদগী ফংলকখিবা পাউখুমগী মতুংইন্না ফোঙদোক্লিবা চাইনাদা নোংচুপ্লোমগী লৈবাক অমা নৎত্রগা লৈবাক খরানা কোরোনাভাইরস শন্দোকপা ওইরম্বা য়াই হায়না ফোঙদোরক্লিবসি চুম্লমদবসু ওইসনু। অমবু ওইরে অমবু ওইরে COVID-19 হায়রিবা লাইচৎ অসি য়াম্না থুনা লোইখিবা ওইরসনু। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## পোপী পান্থীগী মহুত্তা গঞ্জা থাহনবা হায়বসি অফবা খোঙথাংনি

ঈকায় খুম্নজরিবা এদিটর,

হৌখিবা চহী কয়াদগী হৌনা ইনভাইরনমেন্ট কন্নবনি হায়দুনা চীংগী ইচিন-ইনাওশিংদা, উ য়ান্থত্তনবনি হায়দুনা চীং অমদি তমগী ওর্গনাইজেসন কয়া অমদি ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা এৱ্যেৰ্নেস প্রোগ্রাম কয়া তৌদুনা লাক্লি। অদুবু মসিগী কান্না করিগুম্বা অমত্তা লৈতে হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। মরমদি উ য়ান্দুনা য়োনবা, মৈতাল ইৎপা অমদি মফম হোং-হোংদুনা লৌ উবা অসিনা চীংমীশিংগীদি হিংনবগী পান্বেনি। মখোয় হিংনবা অতোপ্পা পান্বে অমত্তা মণিপুর গভর্নমেন্টনা অমদি কনাগুম্বা ওর্গনাইজেসন অমত্তনা শিনবিবা নত্তে। চীংমী ইচিন-ইনাওশিংনা মখোয়না ৱানা থাজবা মহৈ-মরেং কয়া মতম চানা য়োনবা ঙমদদুনা মাঙদুনা তোকই হায়বসি মীপুম খুদিংনা খঙনরবা অমুক হায়রুদ্রবসু য়ারবা ৱাফম্নি। চহী অমগী মনুংদা অমুক নৎত্রগা অনীরক্তি তম্মীশিংনা বারুনি চীং, কৌব্রু চীং অমদি চৈরাও চীং কাদুনা লাই খুরুম্নরি। অসুম্না চীং কাবদা ৱাবা অদু চীংমীশিংদি মতম পূম্নমক্তা চীং কাদুনতা লৈরিবনি। ৱাখল শাগৎলগা অমুক্তং য়েংবিয়ু, চীংমীশিং কয়ামুক ৱানা হিংলমগনি হায়বদু পোপী পান্থী থাদুনা অমদি মসিদগী কানি অমদি হেরোইন নম্বর ফোর শুংদুনা মখোয়গী হিংনবগী লম্বেল অমা শেল্লকপা হায়বসি, হিংদবদি য়াদবনিনা করি তৌরগা হিংগদগে হায়বদা পান্বে অমা থিরকপনি। মখোয় হিংনবনি হায়দুনা এম এল এ খরনা কোফি পান্থী থাহনবা অমদি অগোর পান্থী থাহনবা হায়দুনা সজেসন তৌনরি। কোফি পান্থী অসি তম্পাক লমদা মফম কয়াদা থানরুরে অদুবু মণিপুর গভর্নমেন্টনা মসিগী মতাংদা করিগুম্বা থবক অমত্তা পায়খৎপিদবনা অরেম্বদা মাঙলগা তোকখি কান্নফম খঙদনা লোইনা য়াম্থৎখি। অগোর পান্থী থাবসু অদু মঙাই করম্বা চহীদা লুপা কয়া লাক্কদৌইনো হায়বা ঙমদবা ৱানি।

কনাগুম্বনা মেদিসনেল প্লান্ট ময়াম অমা হৌরি, মসি মপান্দা থাদোকপা হায়নরি। অদুবু মসিগী হীদাক শেম্বা অমদি মপান্দা থাদোকপা হায়বসিসু এক্সপার্ট য়াম্না দরকার ওইগনি অরায়বদি নত্তে। মণিপুরদা অখঙবা অহৈবা মানবা খরদি খঙবা য়াম্নদি খঙবা নত্তবা মীওই খরা লৈরি। মখোয়না লোইনা খঙবদৌনা পংঙাঙ ঙাঙবা, পংই ইবা তৌনরি। মসি থারগা শেল তানবা য়াগনি, ইকনমি ফগৎহনগনি হায়দুনা অদুবু হায়রিবশিং অদু তৌরগা য়োনফম লৈতদুনা মঙখিবা কয়া লৈখরে। খুদম ওইনা মতম অমদা নুমিৎ লৈ অমদি অৱা কেগে থাদুনা শেল তানবা য়াই হায়দুনা থানরুরগা কান্নদদুনা তোকখিবা কয়া অমসু লৈনখরে। মণিপুরসি মখল মখলগী মী য়াম্না লৈ, মপুন্সিদা লৌ অমুক্তসু উবা নত্তবা হঙ্গাম পান্থী অমত্তসু থাবা নত্তবা, এগ্রিকলচরগী ট্রেনিং চৎলুবসু নত্তবা, লাইরিক খরা পারগা লৌ উবগী মরমদা ৱা ঙাঙবসু লৈ।

চীংমীশিংদা অমদি মণিপুর অপুনবদা গঞ্জা থাদুনা শেন্থোক লম্বী লৈহন্নবা শিনবিরবদি পাল্লিবা গভর্নমেন্ট অসি য়াম্না ফবা গভর্নমেন্টনি হায়দুনা মীওই খুদিংমক্লা থাগৎনগনি। হৌখিবা চহী খরগী মমাঙ কুমজা ১৯৮০ দগী কুমজা ১৯৯০ ফাওবা মণিপুরদা গঞ্জা য়াম্না থানখি। মতম অদুদা মণিপুরদা শেল থুমগী ফীভম য়াম্না ফনখি অমদি গঞ্জা থকপগী চাং করিসু হেনগৎখিদে। গঞ্জা অসি মণিপুরগী মপান্দা থাদোকখিবা ঙাক্তনি। মসিদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী মায়োক্তা লৈরিবা ওর্গনাইজেন খরনদি য়ানিংলল্লোই। হৌখিবা চহী কয়াদগীনা ঙসি ফাওবদা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্কী মায়োক্তা লৈরিবা ওর্গনাইজেসনশিং অসিনা য়ু অসি কদায় ফাওবা থিংবা ঙমখ্রবগে? লৈকাইদা য়োনবদি থিংবা ঙম্মী। অদুবু হাওখুলশিংদা চৎলপা হেক্তা থক্লুই। মণিপুরদা মপান্দগী ময়াই কাবা চিঞ্জাক কয়া অমা থাজিল্লক্লি। খুদম ওইনা য়ুঙাং, ফেন্সিদাইল, গুলি কয়া, খৈনি, তলব, জরদা, চুরুট হায়রিবশিং অসি দুকান হাংদুনা চাওনা য়োন্নরি। কনানসু থিংবা ঙমদে। গঞ্জা অসিসু মপান লমদগী থাজিল্লকপা ওইরল্লবদি পান দুকান্দা অমদি ভেন্দরশিংদা থক্লরমগদবনি। অদুবু মণিপুরগী পোখোক ওইবনিনা মসিমদি মণিপুর মীয়াম্না কয়া থক্লদে।

মণিপুরদা খুন্দারিবা ট্রাইবল ইচিন-ইনাওশিং অমদি সেদ্যুল কাষ্টশিং মনাৎনি হায়দুনা য়ু শুংদুনা য়োন্নরি, কনাগুম্বা অমত্তনা থিংনদরি। খুদম ওইনা সেকমাই, ফয়েং, অন্দ্রো অমদি ট্রাইবল খুলশিং অসিনি। ট্রেদিস্নেল কষ্টমনি নৎত্রগা কষ্টমরি লোনি হায়গেরা মখোয়দি য়ু শুবগী পর্মিট পি হায়বদা হায়মনবা থোক্তবরা খল্লি। ঐখোয় মৈতৈসু শিব মহাদেব লাৎপা কাঙবুনি। শিবা লাৎপা মরম্না ঐখোয়গী ধর্ম্মদা গঞ্জা অসি চঙদবা য়াদ্রবা অমনি। মরম অদুনা ঐখোয়নসু ধর্ম্মগী মীৎয়েংদা য়েংলগা গঞ্জা থাবা য়াহনফম থোকই হায়দুনা কোর্টতা কেস ফাওবা থেনবা য়ারবনি।


মণিপুরগী মীয়াম অসি শেল-থুমগী ফীভম য়াম্না শোকচিল্লকপা মতমনি। গভর্নমেন্ট সর্ভিস তৌহৌবা খরনা খিত্তং ফবগী ৱানি। লাইরিক লাইশু তম্লুরগা থবক ফংহৌদ্রবা মীওই অমনা করি তৌরগা শেল তানসিগে হায়না থিরকপদা য়াম্না লুবা মতাং হায়বদু ওইরবনি। মণিপুরীশিং শূনিংদে হায়বা য়ারোই, শূনিংই ফংলিবা শেলগা শূরিবা থবক্তুগা, পোৎ চৈ মমল তাঙখৎলকপগা চান্দদুনা শূনিংবগী চাং হন্থরকপগী ৱানি। মণিপুরগী শেল-থুমগী ফীভম নৈনরকপদা, থা অমদা লুপা লাখ অনী তোলোপ চাবা য়ুনিভর্সিটিগী ওজাশিং, থা অমদা লুপা লাখ অমা পেন্সন ফংবা রিটয়ার্দ আই এ এস অমদি আই পি এসশিংনা নৈনবসি তানিংবা ৱাৎলি। মখোয়না শিন্মী অমনা কয়ামুক ৱাবগে হায়বসি খঙবা নত্তে। দিসক্সন অৱরনচিংবদা খন্ন-নৈনবদা লায়রবা খ্বাইদগী হেন্না ৱাবা মণিপুরী অমনা ৱাবা অদু অৱাবা মীওই অমা য়াওহন্দুনা মীয়াম মমাংদা দাইরেক্টলি ঙাঙহনবনা হেন্না ফগনি খল্লি। য়ুনিভর্সিটি নৎত্রগা কোলেজ ওজাশিং নৎত্রগা রিটিয়র্দ আই এ এস, আই পি এসশিং অমদি দোক্তরশিংনা মখোয়সু য়াম্না ৱানা হৌরকপগী ৱারী লিনৈ। অদুবু ঙসিদগী চহী ৪০ গী মমাঙদা হিংনবা হোৎনবদা ৱাবগা হৌজিক ৱাবগা য়াম্না শাথিনা খেৎনৈ, চাংদম্নবা য়ারোই। হৌজিক্কী মতমদা লুপা লাখ ১ নৎত্রগা ২ তোলোপ চাবা ইমুংশিংনা নোংমদা তৌরিবা এক্সপেন্দিচর অদু য়েংলগা লায়রবা ইমুংশিংনা নোংমদা তৌরিবা এক্সপেন্দিচর অদু য়েংলগা লায়রবা ইমুংশিংদনা মতৌ করম্না হিংলমগদগে হায়বদু ৱাখলনা শাগৎলগা য়েংবীয়ু।

অমবু ওইরে অমবু ওইরে গঞ্জা অসি মণিপুরী মীওইশিংগী শেল-থুমগী ফীভম ফগৎনবগী খোঙথাং অমা ওইনা আইননা য়াবা মওংদা থাহন্দুনা মণিপুরগী ৱাংমদা থাদোক্তুনা শেল তান্নবা হোৎনবা অসি মণিপুর গভর্নমেন্টকী মরু ওইবা থবক অমা ওইনা পায়খৎহনবা পান্মী। গঞ্জা থাবা য়ানীংই নৎত্রগা য়ানীংদে হায়বা অসিদা ভোট থানরবসু য়ানীংই হায়বরোমদা ভোট হেন্না থাদনরক্কনি। মণিপুরী মীয়ামগী লাইবক লেপ্পবা হোৎনরিবা ইন্টিলেকচুয়লশিং, সী এস ওশিং, ময়াই কাবা চিঞ্জাক থিংবগী ওর্গনাইজেসনশিং, মহৈরোয়শিংগী লূপশিংনা ৱাখল খরা খন্থবা মতম ওইরে খঞ্জে।

অদোমগী - রাকেশ য়ুম্নাম,
টোপ অৱাং লৈকায়, টিনসিদ রোদ

INDIAN INSTITUTE OF BANKING AND INFORMATION TECHNOLOGY (IIBIT)
Kakching Paji Leikai, Ayangbung, Near Axis Bank
GSTIN : 18AAFF01723H17K Branch Code : IIBIT06684
Vacancy in India's top leading Pvt. Bank for the following position:-
1. CSD : Customer Service Officer for Female Graduate Candidate.
2. Phone Banking Executive : Graduate with Fluent in Hindi & English (Male/Female) both can apply.
3. Branch Executive : Any Graduate with age below 32 yrs.
4. Loan Officer : Any Graduate and Experience can apply with age below 30 yrs.
5. Loan Development Officer : Any Graduate and Experience can apply with age below 30 yrs.
6. Operation Department : Any Graduate and Experience can apply with age below 30 yrs.
7. Processing Executive : Any Graduate and Experience can apply with age below 30 yrs.
8. Senior Officer : Any Graduate and Experience can apply with age below 30 yrs.
9. Sales Officer : Any Graduate and Experience can apply with age below 30 yrs.
10. Free 3 months Computer Course.
11. 3 Months English and Hindi Course.
12. BRE/BRM : 10+2 can apply with Fluent both English & Hindi.
N.B. BRE (Branch Relationship Executive) & BRM (Business Relationship Management)
Please visit to the IIBIT Office Kakching
Please Contact : IIBIT, Kakching Branch
# +91 8837318822, +91 8575836481, +91 8014066918
HL-B/6062/15/2-20/3

ট্রান্সপ্লেন্ট/অমাংথোঙ মনুংগী অকোয়বদু চাথৎপা, অমাংথোঙ মনুংদা খূৎনা থিনজিল্লগা য়েংবা মতমদা উরিংগুম্না মচা-মচা পোমথোক্লগা লৈবা, অমাংথোঙ ময়াদসু পোমথোক্লগা লৈবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক য়াম্না কাবা, খোঙ হাম্বা মতমদা মনাং য়াম্না য়াওরকপা ফহনবগীদমক ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি



ঐ নুংশঙনা মতম কুইনা নাদুনা অমাংথোঙ মনুংগী অকোয়বদু চাথৎপা, খোঙ অকনবা হান্নকপা মতমদদি চাথৎপা অদুদা থেংলগা য়াম্না নাবা, অমাংথোঙ মনুংদা খূৎনা থিনজিল্লগা য়েংবা মতমদা উরিংগুম্না মচা-মচা পোমথোক্লগা লৈবা, অমাংথোঙ মনুংদা উরিংগুম্না পোমথোক্লগা লৈবা অদু অতৈ করিসু তৌদবা অদুগা ফমজিল্লগা লৈবা মতমদদি অমাংথোঙদা নারকপা, অমাংথোঙ ময়াদসু পোমথোক্লগা লৈবা, পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা গ্যাস পংচৎতা চৎপা, গ্যাষ্ট্রিক অদুনা থবাক্তা চেনখৎলগা থবাক নাবা, শ্বর হোনবা ৱাবা, খৌনাওদা ইথক্তা থনগৎলগা লৈবগুম তৌবা, পুক চপ তিংলগা কংখৎপা, করিগুম্বা অমা চাশিনবা মতমদসু পুক হেন্না কংখৎপা, খোঙ হাম্বা মতমদা মনাং য়াম্না য়াওরকপা, মনাং য়াওরকপগা হকচাংদা চোকথ-ৱান্থবা, তাং-তাং চিকপা-নাবা, অমাংথোঙগী অকোয়বদু মরেং-মরেং চৎলগা হাকৎচবা, হাকৎচবা অদু খোৎলুরগা অমাংথোঙগী অকোয়বদু চাউথোরকপা, খোঙ হাম্বা মতমদা অমাংবদু মপান্দা লোইনা থোক্লকউ য়াদবা, খূৎনা থিনজিল্লগা কোৎলগা লৌথোকপা, লৌথোক্রগনা অমাংথোঙ মনুংদা য়াম্না নুংঙাইতবা, ঙকশম মরী নাবা, শয়েং অনীমক চিকপা-নাবা, খ্বাং নাবা, থবক অমত্তা শূবা ঙমদবা ফহনবগীদমক ষ্টেট এন্দ নেসনল এৱার্দ ফংলবা Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্না অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।
লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)
HL-P/6160/27 থাগৎচরিবা : Th. Punshiba Meitei, Keishamthong

CBSE CLASS IX&X
ADMISSION OPENS
6 MONTHS FOUNDATION COURSE
SUBJECTS: ENGLISH, MATHS, SCIENCE AND S.SCIENCE
CLASS STARTS : 2ND MARCH 2020 (Monday )
Timing : 4.30 pm - 8.00 pm
RESOURCE TUTORIAL CENTRE
KHURAI LAMLONG BAZAR , OPPOSITE KHURAI GIRLS SCHOOL(KVS),IMPHAL EAST.
FOR MORE DETAILS : PLIZ CONTACT- 8415923747/9366072052
HL-P/6050/12feb to 17 march

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লবা মরী লৈনদে।